

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, JUNE 29, 2019 PAGE 7




*ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মমাঙদা চেম্পিয়ন ওইরম্লবা এটলেটিকো দি কোলকটাদা সাইন তৌখ্রবা মশাগী চহী ৩১ শুরবা ওষ্ট্রেলিয়া মচা দেবিদ ৱিলিয়মস*

*নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নাইতোম শরুক য়াগদৌরিবা প্রজনেস গুন্নেশ্বরন*

## আই সি সি ৱার্ল্ড কপ ২০১৯ঃ সাউথ অফ্রিকানা শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৯ দা চাওনা মায়থিবা পীখ্রে





*লন্দন, জুন ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা যুম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ৩৫শুবা মেটচতা সাউথ অফ্রিকানা শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৯ দা চাওনা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস সাউথ অফ্রিকানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না খনখি। শ্রী লঙ্কানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ৫০শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ২০৩ লৌখি।

শ্রী লঙ্কাগী ওপনর অমদি কেপ্টেন ওইরিবা দিমুথ করুনারত্নে রন অমত্তা লৌরমদনা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর কুসাল পেরেরাগী রন ৩০ অমদি ৩শুবা বেটসমেন অভিস্কা ফর্নান্দোগী রন ৩০ নত্তনা মখা তানা চঙলকখিবা টিম অসিগী বেটসমেনশিং রন ২৫ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদবদগী মখোয়গী ইন্নিংস অদু ওভর ৫০গী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২০৩ দা লোইশিনখি।

সাউথ অফ্রিকাগী বোল্লিংদা খৃস মোরিস অমদি দ্বেন প্রিটোরিয়সনা শ্রী লঙ্কাগী বেটসমেন ৩। ৩ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি। কাগিসো রাবাদাসু শ্রী লঙ্কাগী বেটসমেন ২ আওট ওইহনবা ঙমখি।

সাউথ অফ্রিকানা মায় পাক্লবগী রন ২০৪ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৩৮শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা শুপ্পগী বেটসমেন অমখক আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৯ দা মায় পাকখি।

সাউথ অফ্রিকাগী ওপনর ক্বিন্টোন দি কোক রন ১৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর হাসিম অমলা অমদি অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা ফাফ দু প্লেসিসনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৮০ অমদি ৯৬ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৯ দা য়াম্না চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

| Today's Match |
| --- |
| Match No. 36 |
| Pakistan vs Afghanistan |
| Venue : Headingley, Leeds |
| Time (in IST) : 3.00 pm. |
| Match No. 37 |
| New Zealand vs Australia |
| Venue : Lord's, London |
| Time (in IST) : 6.00 pm |

## ইন্দিয়ানা পাকিস্তান থোইদুনা মেডল রাউন্দ চঙখ্রে

*দোহা, জুন ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

কাটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোকপা এসিয়ান টিম স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম্না পাকিস্তানগী টিম্বু মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুদি হন্দক্তা এসিয়ান চেম্পিয়ন ওইখিবা পঙ্কজ অদবানিগা লোয়ননা লক্ষ্মন রাৱট অমদি অদিত্য মেহতানি। চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোই পঙ্কজ অদবানি অমদি লক্ষ্মন রাৱটনা মেটচশিং অদু শান্ননবগীদমক খনখি।

ইন্দিয়াগী টিম গ্রুপ ষ্টেজদা ফজ খিবদগী দাইরেক্ট ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখি। অদুগা পাকিস্তাননা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা কাটারবু ৩-১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপনি।

মেটচ ৫ গী কন্টেষ্ট অসিগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী পঙ্কজ অদবানিনা পাকিস্তানগী বিলালবু পোইন্ট অমত্তা লৌহন্দনা মায়থিবা পীখি। অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী লক্ষ্মন মায় পাকখি অদুগা দবলসকী মেটচশিংসু মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল চঙখি। ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা হয়েং ম্যান্মারগা শান্নগনি।

## 'মশান্নশিংগী থাক হেনগৎলক্নবা য়াস দিপার্টমেন্ট অমদি এম ও এ অনীনা করি অহেনবা থৌরাং পায়খৎখ্রবগে'


এল. কালা উরিপোক


শান্নবগী থাক অসি হেন্না হেন্না হেগৎলক্নগদবা অমদি নেসনেল, ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোই মশীং হেনগৎলক্লিব্রা নৎত্রগা য়ামখৎলক্লিব্রা হায়বসি ঙসি লমদমসিগী শান্নবগা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট (য়াস) নবু ওইরো নৎত্রগা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসননবু ওইরো নৎত্রগা মশান্না মশান্নগী ষ্টেটকী থাক্তা লৈরিবা এসোসিয়েসনশিং মরী লৈনবা ময়ামসিনা নৈন্নরিব্রা খন্নরিব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাফম অমা ওইরে। ৱাফমসিগা হায়রপ মরী লৈননা মতম অমদা ফুটবোল শান্নরোইসু ওইরম্বা লমদমসিগী ইকাই খুম্নরবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা শান্নবগীদমক মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মণিপুরগী শান্নরোইশিং মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙম্বা মশীং হান্নদগী হম্বরকপগুম তৌরে হায়বা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। শান্নবগা মরী লৈনবা মীয়াম হুপ্পা তিল্লিবা থৌরম অমদা লৈবাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমনা ইঙ্গিৎ পীবা ৱাফম অমা ওইনা ফোঙদোকরকপা হায়বসি লৈঙাকসিগী শান্নবগীদমক তলপ চাদুনা লৈরিবশিং অমদি মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী চেনলি চোংলিবা পুম্নমক্না অদুমক তাখ্রবনি অদুবু তারগা ফোঙদোকরক্লিবা ৱাফমসি য়াম্না লুম্না লৌদুনা মখা তানা খন্নরমগদ্রা হায়বদুমদি হায়বা ঙমদে।

মণিপুরদা শান্নবগী অকনবা ইহৌ অমা লাকখিবসিদি ১৯৭৭-১৯৭৯ দা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসন লিংদুনা লাকখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা চহী খরা লৈরগা মণিপুরী মচা পি নিলকমল সিংহনা হোক্কী মশান্নদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা লোস এঞ্জেলিস ওলিম্পিক গেমস ১৯৮৪ (অমা মাপল নিপাল মরি) দা শরুক য়াবদা য়াওবা ঙমদুনা মণিপুরগী অহানবা ওলেম্পিয়ান লমদমসিগী শান্নরোই কয়াদা শান্নবগী ইনোৎ অমা হাপ্পুনা শান্নবগী ইহৌগা লোয়ননা থৱাই য়াওনা লমদমসিগী নহাশিংনা হোৎনবা হৌনরকখি। টিম ইভেন্ট অমদি ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টগী ওইবা মশাননা খরদা নেসনেল, ইন্টরনেসনেল থাক্তা শরুক য়াবা ঙম্বা শান্নরোই কয়া মথং মথং থোরকখি। অসুম্না শরুক য়াবা ঙম্লকখিবা মতমদুগী শান্নরোইশিং অদো মতমদুদা হৌজিক শান্নবদা ফংলিবা খুদোংচাবা ময়ামসি অমত্তা ফংখিবা নৎতে হায়বদা লাল্লোই। খরদং পল্লবদা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা নৎতবা নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা নেসনেল গেমসতা থৌনবা সাইকল, কাপ্পবা টেন অমদি টৈনজৈ, ফেন্সিংদা পায়গদবা থাঙ, বোক্সিং শান্নবদা উপকদবা হেদ গার্দ অমদি গ্লোব, হোক্কীষ্টিক অমদি হোক্কী বোল শান্নগদবা ফিল্ড, ইরোইবদা শেৎ চাগদবা ফি-রোল, ফুটবোল শান্নবদা তোংগদবা বুট অমদি শান্নগদবা বোল, শান্নবগা হেক মরী লৈনবা মপোৎ মচৈ অমদি শান্নফম পুম্নমক য়াম্না হন্থবা থাক্কী ওইবা ঙাক্তনি অদুবু শান্নরোই খরদি এসিয়ান গেমসতা, ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ঙমখি মসিমক্তিঃ মখোয়গী হোৎনজমন অমদি মতমদুগী ওজাশিংগী কৎথোকপা য়বা য়াওনা হোৎনমিন্নখিবা অদুনা ওইবা তাই।

এসিয়ান গেমস, কম্মন ৱেল্‌ঠ গেমস, ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ, ওলেম্পিক গেমস কয়াদা মেডল পুরকপা ঙম্বা শান্নরোই কয়া পোক্লিবা লমদমসি হৌজিক্কী মতমদনা মেডল পুরকপা ঙম্বা শান্নরোই মশীং হেন্না পুথোরকপা, ঙমফম থোকপনি মরমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইনা স্পোর্টস চাওখৎনবা এক্সেলেন্টস স্পোর্টস পার্সন ওইহনবগীদমক স্পোর্টস পোলিসিগী মখাদা শেন্থং পীবা স্কীম কয়া অমা লৈরবা মতম অসিদা হেন্না পুথোকপা ঙমদ্রিবা অসিনা তাকপদি মণিপুরদা হোৎনরিবা ময়ামসে মহৈ চাবা ফংদে তাকপনি। মহৈ চাবা ফংদ্রিবসিগী দায়ত্য লৌফম থোকপদি শান্নবা মরী লৈননা লৈঙাক্তগী থাথাগী ওইনা খুদোংচাবা ফংলিবা কোচ অমসুং ত্রেন্নর অমদি মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসন অনীনা লৌফম থোকই মরমদি মখোয়গী অপদেট ওইবা অখঙবনা লৈঙাক্কী স্পোর্টস অসি মমায় চুমদুনা পুগদৌরিবনি। মখোয়দি হৌজিক মালেমগী ওইনা শান্নবগীদমক হোৎনরিবা ময়াম অসি মতম চুপ্পদা নোলেজ অপদেট তৌদুনা লৈফম থোকপনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইবা স্পোর্টস পোলিসিগী মখাদা শান্নবুং কন্ননবা, শান্নবুং শেমগৎনবা, এক্সেলেন্স স্পোর্টস পার্সন পুথোক্নবা, শান্নবদা নহাশিং, চীংমীশিং, নুপীমচাশিং হেন্না শরুক য়াহন্নবা শান্নবগী মপোৎ মচৈ লৈবদা অচংবা শেনফম, কোচশিং অম্পায়ারশিং ত্রেন্নিং তৌনবা শম্না হায়রবদা শান্নবগা মরী লৈনবা পুম্নমক ঙাক্তুনা থম্নবা অপগ্রেদ তৌনবা স্পোর্টস দিভলপমেন্ট স্কীম ময়াম শেন্থং পীদুনা হোৎনরিবা ময়াম অসি শোয়দনা খঙলমগনি, কান্নবদু শোয়দনা ফংলমগনি।

প্রমোসন ওফ অরবান স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচর পাইলোট প্রোজেক্ট স্কীম ওইনা ২০১০-১১ দগী মতুং ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্ট পীদুনা ইন্দিয়াগী মফম ১৪ (অমা মরি) দা স্পোর্টস দিভলপমেন্টকীদমক প্রোজেক্ট ১৪ (অমা মরি) ২০১৩-১৪ দা পায়খৎপদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস পৱার হাওসনি হায়রিবা মণিপুর ষ্টেট য়াওখিদে। হায়রিবা স্কীম অসি স্পোর্টস দিভলপমেন্টগীদমক শেন্থং পীবা স্কীম্নি। অসিগুম্বা স্কীম অমা য়াওহনবা ঙমহৌদবা হায়বদি মতমগী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী অশোনবা ওইফম থোকই। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইবা স্পোর্টস স্কীম ময়াম অমা লৈরিবসি খরদং পল্লবদা স্কীম ওফ এসিষ্টেন্টস টু নেসনেল স্পোর্টস ফেদেরেসন, স্কীম ওফ হ্যুমেন রির্চোস দিভলপমেন্ট ইন স্পোর্টস, নেসনেল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ফন্দ (এন এস দি এফ) অসিদা নৎতবা স্কীম কয়া অমা ইন্দিয়া লৈঙানা পীক্লবসু চাওরবসু শান্নবগীদমক থাদরক্লিবা স্কীম কয়াগী শেন্থং মণিপুর লৈঙাকসু শোয়দনা খঙলমগনি অমদি ফংলমগনি অদুবু ফংলিবা খরা অদু নিয়ম চুম্না শীজিন্নদুনা হোৎনরিব্রা হায়বসিমদি চমম্নবা ওইরি। ইন্দিয়াগী ওইবসি নৎতবা মণিপুর মশাগী ওইনসু স্পোর্টস বজেৎ হাপ্পুনা শান্নবা চাওখৎনবা শান্নরোইশিংগী শান্নবগী ষ্টেন্দর্দ হেনগৎনবা হোৎনরিবনি অদুবু করম্না হোৎনরিবনো হায়বসিমদি অদুমক জ্ঞান তাদে। চমম্নবা জ্ঞান তাদবগী খুদম খরদং পনবদা ৱিন ইন্দিয়া হায়বা পান্দমগী মখাদা অহানবা ওইনা শাখিবা অষ্ট্রো তর্ফ ষ্টেদিয়ম চহী ১০, হেল্লবা ফাওবা মপুং পান্দমগুমনা লোইশিনবা ঙমদ্রিবসিনি, হৌজিক-হৌজিক উরিবনি। অদুগা অতোপ্পা অমনা লৈঙাক্না চলাইবা নেসনেল স্পোর্টস একাদেমী খুমন লম্পাক লিংখিবা য়াম্না কুইরে স্পোর্টস দিসিপ্লিন খরদা, অদুবু লিংলিবসিদা চঙলিবা শেনফমদি ফনা য়ামল্লগনি অদুবু হংবা য়াবদি অসুক কুইরবসিদা মেডল পুরকপা ঙম্বা শান্নরোই কয়া পুথোকখ্রবগে?

অরোইবদা ৱাফম অমনা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী ফম পায়নবা ভোৎকী মতমদা খোইরেল মশা পায়বগুম হৌ হৌ চোংবা নৎতনা মশান্না কয়াগী শান্নরোইশিংগী ষ্টেন্দর্দ হেনগৎনবা লৈঙাক্কী য়াস দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা করি করম্বা ষ্টেটকী ওইবা পোলিসি প্রোগ্রাম পায়খৎলিবগে? মণিপুরগী শান্নরোইশিং মেডল পুরকপা ঙম্নবা অনৌবা ৱাখল্লোনগী ওইবা করি থৌরাং তৌরিবগে-?

## ইংলেন্দনা নোরৱেবু ৩-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা অহানবা লৈবাক ওইখ্রে





*লে হাভ্রে, জুন ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইংলেন্দনা নোরৱেবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা সিজন অসিগী ওইনা ইংলেন্দনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা লৈবাক ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসি হেক হৌবদগী ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা নোরৱেগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথদুনা প্রেসর পীদুনা লাকখি। মেটচকী ৩শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জিল স্কোট্টনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

পাঞ্জল শোত্থরবা নোরৱেগী শান্নরোইশিংনা ইংলেন্দগী মায়োক্তা এটেক কয়া চথদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু ইংলেন্দগী দিফেন্দরশিংনা ফজবা ঙমখিবদগী মায় পাকপা ঙমদনা লাকখি।

নোরৱেগী শান্নরোইশিংগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ইল্লেন হ্বাইটনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা লাকখি।

মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লুসি ব্রোঞ্জনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩-০ দা হেন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা নোরৱেগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল অমত্তা হনে দাকপা ঙমখিদবদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু ইংলেন্দনা নোরৱেবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা অহানবা লৈবাক ওইখি।

ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ ২০১৯ গী হয়েং শান্নগদবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লম্বা তৌনরগনি।

## এ সি মিলান মথং সিজনগী য়ুরোপা লীগ য়াওবদা অথিংবা থমখ্রে

*মিলান, জুন ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এগী মরুওইবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা এ সি মিলান ফাইনান্সিয়েল ফেয়র প্লে রিগুলেসন থুগাইবগীদমক কুমজা ২০১৯ /২০ সিজনগী য়ুরোপা লীগ য়াওবদা অথিংবা থমখ্রে।

এ সি মিলাননা য়ুরোপা লীগ ২০১৯ /২০ সিজনদা শরুক য়াবদা অথিংবা থমখিবা অসি কোর্ট ওফ অর্বিত্রেসন ফোর স্পোর্টস ( সি এ এস) না ঙসি লাওথোরকপনি।

য়ু ই এফ এগী এদজুদিসিয়ারি চেম্বর ওফ দি ক্লব ফাইনান্সিয়েল কন্ট্রোল বোদি ( সি এফ সি বি) না হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদা ইটালিগী ক্লব অসিদা করিগুম্বা ফাইনান্সিয়েল ফেয়র প্লে রিগুলেসন অসি কুমজা ২০২১ গী জুন থা ফাওবগী মনুংদা থুগাইরক্লবদি অথিংবা মায়োক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি।

## ব্রাজিল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*পোর্টো এলেগ্রে, জুন ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

কোনমেবোলগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোপা অমেরিকাগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ব্রাজিলনা পারাগ্বেবু পেনাল্টি সুট আওটতা মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ব্রাজিল অমদি পারাগ্বেগী মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না পাঙ্গল মান্নরকখিবদগী মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা মায় পাকপা টিম খনখি।

পেনাল্টি সুট আওট অদুদা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী সোট ৫ কাওশিনবদা গোল ৪ ওম্থোকপা ঙমখি। অদুগা পারাগ্বেগী মায়কৈদগী সোট ৫ কাওশিনবদা গোল ৩ খক ওম্থোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ব্রাজিলনা পারাগ্বেবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪-৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

## প্লিজকোভা ইষ্টবোর্ন ইন্টরনেসনেলগী ফাইনেল চঙখ্রে



*ইষ্টবোর্ন, জুন ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

য়ুনাইটেদ কিংদমগী ইষ্টবোর্নদা চথরিবা ইষ্টবোর্ন ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা চেক রিপব্লিক নুপীগী সিঙ্গলসতা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ ওইরিবী চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা ৩শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু ৬-১, ৬-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চেক রিপব্লিক্কী প্লিজকোভানা ফাইনেলদা জর্মনিগী এঞ্জেলিক করবরগা শান্নরগনি। করবর মহাক্কী সেমি ফাইনেল লম্বা ওইগদৌরিবী টুনিসিয়াগী ওন্স জেবিয়র শান্নবা ঙমখিদবদগী ৱাল্ক ওভর ফংদুনা ফাইনেল চঙলকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ু এসকী শান্নরোই অনী সাম ক্বেরি অমদি টেলর ফ্রিটজ শান্নরগনি।

সাম ক্বেরিনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ইটালিগী থোমস ফাবিয়নোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬-৩, ৬-৭ (৪-৭), ৬-৩ দা থোইরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

সাম ক্বেরিগী ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা টেলর ফ্রিটজনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ বৃটেনগী কাইল এদমুন্দবু ৭-৬(১০-৮), ৬-৩ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কলম্বিয়াগী জুৱান সেবাষ্টিয়ান কাবাল অমদি রোবার্ট ফারহানা আর্জেন্টিনাগী মেক্সিমো গোঞ্জালেজ অমদি রোরাসিও জেবাল্লোসপু ৩-৬, ৭-৬(৭-৪), ১০-৬ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা বেলজিয়মগী ফ্লিপকেন্স অমদি য়ু এসকী মাট্টেক সেন্সনা চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র চান হাও চিং অমদি লাটিসা চানগা শান্নরগনি।

### ক্রোসৱার্দ ২০৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| E | L | L | A | ■ | P | A | G | E | ■ | S | C | A | L | P |
| R | O | O | M | ■ | A | P | E | R | ■ | T | U | T | O | R |
| A | R | B | I | T | R | A | T | E | ■ | A | B | O | D | E |
| S | E | E | D | I | E | R | ■ | ■ | O | R | A | N | G | E |
| ■ | ■ | ■ | ■ | E | N | T | R | A | N | T | ■ | E | E | N |
| R | E | S | O | R | T | ■ | E | L | L | S | ■ | ■ | ■ | ■ |
| E | R | O | D | E | S | ■ | G | A | Y | ■ | L | I | S | A |
| A | I | D | E | D | ■ | G | A | S | ■ | S | U | S | A | N |
| P | E | A | S | ■ | L | O | T | ■ | S | I | L | E | N | T |
| ■ | ■ | ■ | ■ | P | E | A | T | ■ | M | E | L | E | E | S |
| S | E | T | ■ | A | T | L | A | S | E | S | ■ | ■ | ■ | ■ |
| H | A | R | A | S | S | ■ | ■ | C | A | T | A | L | O | G |
| E | R | E | C | T | ■ | O | P | E | R | A | T | I | V | E |
| A | L | A | M | O | ■ | D | A | N | E | ■ | O | V | E | N |
| R | Y | D | E | R | ■ | D | Y | E | D | ■ | M | E | R | E |

## এ টি কে দা ৱিলিয়মস য়াওখ্রে

*কোলকটা, জুন ২৮ (এজেন্সি)ঃ*

মমাঙদা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ক্লব এটলেটিকো দি কোলকটা ( এ টি কে) দা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই দেবিদ ৱিলিয়মস সাইন তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা ওষ্ট্রেলিয়া মচা দেবিদ ৱিলিয়মস লৈবাক অসিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট এ-লীগকী ক্লব ৱেল্লিংটন ফোনিক্সতা শরুক য়াদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙল্লিবা শান্নরোইনি।


**M/S IMPHAL PRESS**

*Screen Printing & Rubber Stamps Works*

*Paona Bazar, Governor Road Crossing*
*Regd. No. 11/01/0171/PMS/SSI*

**Lengsinbirakshi**

* Heijingpot bag
* Box
* Shirt
* Invitation Card
* Receive Book
* Letter Head
* Thesis Binding
* Seal
* Pre-Ink Seal
* Offset Printing
* Screen Printing

20% discount for physically challenge people, girls, students and army personal

লেঙশিনবীরকসি অমদি খুদোংচাবশিং অসি লৌমিন্নরসি

**M/S IMPHAL PRESS**
*Paona Bazar, Governor Road Crossing*
Phone No. 9774220295 / 8974359246

*SL/4918/P/30 days-12-6*

**MARU BARBER**

Estd. Men's Only 2018 Barber Shop

NH2 MALOM TULIYAIMA
NEAR OIL DEPOT-795003

8837335122
MARU BARBER

We the staffs of MARU BARBER shop warmly welcoming all the customers. Please get an experience of stylish, hygienic work with a good hospitality.

Men's only

Timing 7am-7pm

*Special discount on facial for Grooms only

SL/4930/15 days 14/6/19